# হায়দরবাদ হন্টর্সনা দিল্লি এসর্সপু পোইন্ট ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে


হায়দরবাদ হন্টর্সকী কেরোলিনা মারিন অমসুং সমির বর্মনা মায় পাকপদা হরাওবা ফোঙদোকপা

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১২ ঃ*
প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ সিজন টুগী ঙসি শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা লীগ মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান নুপীগী শান্নরোই ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা শান্নরকপদা মহাক্কী টিম্না দিল্লি এসর্সপু পোইন্ট ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা হন্টর্স সেমি ফাইনেল য়ৌখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনগদবা টিম ৪ মক মশক খঙবা লোইখ্রে।

ঙসিগী অরোইবা লীগ মেটচ অদুগী অহানবা লম্বা অদু হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী সমির বর্ম অমসুং দিল্লি এসর্সকী মায়কৈদগী সিরিল বর্মনা লম্বা তৌনখি। লম্বা অদুগী অহানবা গেম দিল্লি এসর্সকী সিরিল বর্মনা ১১–৮ দা থোইখি।

অদুবু লম্বা অদুগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সমির বর্মনা য়াম্না কোম্না ১১–৩, ১১–২ দা থোইদুনা হায়দরবাদ হন্টর্সকী অহানবা পোইন্ট অদু মহাক্না পীখি।

টিম অনীগী অনীশুবা লাম্বা অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। মদুদা হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী সাটৱিক সাইরাজ অমসুং চাউ হোই ৱানা দিল্লি এসর্সকী ৱ্লাদিমির ইভানোভ অমদি জ্বালা গুত্তগী জুরাগা থেংনবদা হন্টর্সকী জুরা অদুনা য়াম্না কোম্না গেম অনীমক ইৱা ৱাদনা ১১–৩, ১১–৪ দা থোইদুনা ঙসিগী লীগ মেটচ অদুদা হায়দরবাদ হন্টর্সনা পোইন্ট ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

দিল্লি এসর্সকী মায়কৈদগী ট্রুম্প গেম ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা লম্বাদা টিম অদুগী মায়কৈদগী দেনমার্ক মচা জান ও জের্গেন্সেন অমসুং হায়দরবাদ হন্টর্সকী রাজিব ওসেপকা শান্নখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা জোর্গেন্সেনা হৌবদগী হৌনা রাজিবপু খুদুম চন্দুনা য়াম্না হেনবা মওংদা ১১–৫, ১১–৭ দা থোইদুনা ট্রুম্প মেটচ লৌবগী কান্নবা ফংদুনা পোইন্ট ২–২ দা মান্নদুনা লৈমিন্নখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচ অদু হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা দিল্লি এসর্সকী শান্নরোই অমা ওইরিবী থাইলেন্দগী নিচোন জিন্দাপোলগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্না শান্নরকখি।

কেরোলিনামারিননা জিন্দাপোলবু লাকশিনবা ঙমদনা লাকখিবাঅদুনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক শান্নরকখি। টাই ব্রেক গেম অদুদা টিম অনীমক পোইন্ট ১৪–১৪ দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী মায় পাকপগী থংনবা পোইন্ট অদু কেরোলিনা মারিননা লৌদুনা গেম অদু ১৫–১৪ দা থোইদুনা মাঙজিল থারগা চংখি।

থাইলেন্দগী শান্নরোই নিচোন অমসুং স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা মথংশিংনা দিল্লি এসর্স অমসুং হায়দরবাদ হন্টর্সকী শান্নখিবা অনীশুবা গেম অদুদা কেরোলিনা মারিনগী মায়কৈদগী অহানবা গেমদা লৈখিবা মশান্না অদুদগী শরুক য়াম্না হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা থাইলেন্দগী শান্নরোই নিচোন জিন্দাপোলবু হৌবদগী হৌনা খুদুম চন্দুনা পোইন্ট হেল্লগা চংখি।

অনীশুবা গেম অদু দিল্লি এসর্সকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা থাইলেন্দগী মচা নিচোননা শুপ্নগী পোইন্ট ৪ খক লৌবা ঙমখিবদা হায়দরবাদ হন্টর্সকী কেরোলিনা মারিননা পোইন্ট ১১ লৌবা হানখিবদগী মেটচ অদু থোইদুনা ট্রুম্প মেটচ ওইবা মরম্না পোইন্ট ৪–২ দা হন্টর্সনা এসর্সপু মাঙজিল থাদুনা চংখি।

ঙসিগী লম্বা অদুগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসতা হায়দরবাদ মায়কৈদগী বুন হিয়োং তান অমসুং ৱি কিয়োং তানগী জুরাগা দিল্লি এসর্সকী মায়কৈদগী শান্নরকখিবাৱ্লাদিমির ইভানোভ অমসুং ইভান সোজোনোভকী জুরাগী লম্বা য়াম্না ফজখি।

বুন অমসুং ৱিগী জুরানা অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ১১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু ইভানোভ অমসুং সোজোনোভকী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্তুনা শান্নরবসু ১১–১৩ দা মখোয় মায়থিদুনা ঙসিগী টাই অদু হন্টর্সনা পোইন্ট ৫–২ দা এসর্সপু থোইখি।

# ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা সিদনি ইন্টরনেসনেলগী দবলসকী ফাইনেল চঙখ্রে


এপিয়া সিদনি ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রবা সনিয়া অমসুং ষ্ট্রাইকোভা

*সিদনি, জনুৱারী ১২ ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোই সনিয়া মির্জানা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা নুপীগী দবলসতা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখিবতা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইদুনা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা পাঙথোকপা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকভোগা জুরা ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সনিয়া মির্জা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা এপিয়া সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএ গী ভানিয়া কিং অমসুং কজাক্সষ্টানগী য়ারোস্লাভা স্বেদোভাবু য়াম্না কোম্না সেট অনীদা ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা মির্জা অমসুং ষ্ট্রাইকোভানা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসকা থেংনরগনি। বাবোস অমসুং পাল্লিয়ুচেনকোভানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী মার্টিনেজ সাঞ্চেজ অমসুং সর্ভিয়াগী এ ক্লেপাকপু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল থেংনগদৌবা শান্নরোইশিংগী মশক মমিং খঙবা ঙমখি। রুশিয়াগী এ কুজনেটসোভ অমসুং বৃটেনগী দি ইভান্সনা অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।

দি ইভান্সনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ৩–৬, ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা কুজনেসোভনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী কারেনো বুষ্টাবু ২–৬, ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ক্রোএসিয়াগী ভিক্তর ট্রোইকি অমসুং লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লর অনীনা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ট্রোইকিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী লম্বা পোল কোলস্ক্রেবরগা শান্নগদবা মেটচ অদুদা পোল লাক্তবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি। অমরোমদা লুজেমবর্গকী গাইল মুল্লরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাজগা লম্বা তৌনবদা ৭–৬ (৭–৫), ৬–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

এপিয়া সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টা অমসুং পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ জোহানা কোন্টানা সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দপু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরমখি। অমরোমদা কোন্টাগী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা পোলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী এগনিস্কা রাদৱান্সকানা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা ন্যু জিলেন্দগী ওকলেন্দদা পাঙথোকপা এএসবি ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোই লিয়েন্দর পেস অমসুং মহাক্কী জুরা ব্রাজিলগী এন্দ্রি সাবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী মার্কস দেনিয়েল অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো দেমোলাইনরনা ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৭–৬ (৭–৪) দা মায়থিবা পীরমখি।

*ইন্দিয়াগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবা য়ুকি ভাম্ব্রীনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম ক্বালিফাই ওইননবগীদমক মেটচ অমা মায় পাকপা মথৌ তারি। ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টতা ভাম্ব্রীনা ঙসি সর্ভিয়াগী পেটজা কৃটিনবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অরোইবা রাউন্দদা য়ুএসএগী অর্নেষ্টো এসকোবেদোগা শান্নরগনি।*

# কোপা দেল রেদা বার্সেলোনানা এঠলেটিক বিলবাউবু এগ্রিগেটতা ৪–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে


বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা মেসিনা নেমরগা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

*মাদ্রিদ, জনুৱারী ১২ ঃ*
স্পেনগী য়াম্না মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রে (কিংস কপ) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২(প্রি–ক্বার্টর) গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা স্পেনগী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা বার্সেলোনানা এঠলেটিক বিলবাউবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং এঠলেটিক বিলবাউনা মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচতা বিলবাউনা পাঞ্জল ২–১ দা থোইখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হেন্না চল্লগা মায়থিবা পীদবা য়াদবগী তাঞ্জা অমা লাকখিবনি।

বার্সেলোনাগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি, উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজ অমসুং ব্রাজিলগী নেমরগী পাঞ্জলনা এঠলেটিক বিলবাউবু পাঞ্জল ৩–১ দা অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু থোইদুনা অহানবা লেগতা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখিবা অদু ফুক্কৎতুনা পুন্না এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোপা দেল রেগী রাউন্দগী ওফ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা উরেগ্ব মচা লুই স্বারেজনা মেটচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা মৈ চুবা হৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙে বার্সেলোনানা পুশিল্লকপা এটেক অমদা এঠলেটিক বিলবাউগী পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল অমা তৌরুবগীদমক বার্সেলোনানা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু বার্সেলোনাগী নেমরনা অশোয়–অঙাম য়াওদনা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী ২–০ দা বিলবাউবু মখোয়না মাঙজিল থাদুনা চংখি।

নেমরগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনিট ৪ গী মনুংদা এঠলেটিক বিলবাউগী মায়কৈদগী এনরিক সাবোরিদনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোখখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনিট ১৩ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবদা বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অদুনা এঠলেটিক বিলবাউবু এগ্রিগেটতা ৪–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ইংলেন্দদা শান্নবা লীগ কপকী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা মমিং লৈরবা টিম লিভরপুলবু সাউথমতননা পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু সাউথমতনগী নেথন রেদমোন্দনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা হল সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

# পুনমনা ছাটিসগরবু মায় পাকহনখ্রে

*পুদুচেরি, জনুৱারী ১২ ঃ*
৬৭ শুবা সেনিয়র নেসনেল বাস্কেটভোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী গ্রুপ মেটচ অমদা ছাটিসগরগী চহী ২০ দা ঙাইরিবী মশাগী মরেপ ফুট ৬ কা ইঞ্চি ১১ ৱাংবী পুনম চতুর্বেদিনা চাউনা মতেং পাঙদুনা তেলঙ্গানাবু মায়থিবা পীখ্রে।

পুনমনা ছাটিসগরগী মায়কৈদগী শান্নদুনা তেলঙ্গানাবু পোইন্ট ৮৬–৬৮ দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা মহাক মশাগী ওইনা পুন্না পোইন্ট ৫৭ লৌবা ঙমখি।

মায় পাকপা অদুনা গ্রুপ (এ) দা ছাটিসগর অনীশুবা পোজিসন্দা লৈদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# কার্থিকেয়েন মায় পাক্তুনা মাঙজিল থারি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১২ ঃ*
ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা দিল্লি ইন্টরনেসনেল চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নবা লোইশিনবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই এম কার্থিকিয়েননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই আর কে শ্রিহরিবু মায়থিবা পীদুনা অতোপ্পা শান্নরোই অনীগা লোয়ননা পোইন্ট ৪ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিদা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

কার্থিকিয়েননা শ্রিহরিবু শুপ্নগী মুভ ৩৫ দা মায়থিবা পীখিবনি। মায় পাকপা অদুনা মহাক রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪ ফংলগা তজাকিস্টানগী ফরুক অমোনাতোপ অমসুং ভিয়েটনামগী মুয়েন হুন মিন হুয়েগা লোয়ননা মাঙজিল থামিন্নরি।

ফরুক্না ইন্দিয়াগী রত্নাকরনবু থোইখি অদুগা মুয়েন হুননা ইন্দিয়াগী অকাস নায়রবু মায়থিবা পীরম্বনি।

# রহানেগী রন ৯১ গী মতেংনা ৱার্ম অপ মেটচতা ইংলেন্দবু ইন্দিয়া (এ) না ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে


বোল ৮৩ দা রন ৯১ লৌখিবা ইন্দিয়াগী অজিনক্য রহানে

*মুম্বাই, জনুৱারী ১২ ঃ*
ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা ৱান দে অমসুং টি–২০ গী সেরিজগী মাঙওইননা ঙসি মুম্বাইদা লৈবা ব্রাবোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা ৱার্ম অপ মেটচতা ইন্দিয়া (এ) গী টিমগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ওইরিবা অজিনক্য রহানেগী য়াম্না ফজবা রন ৯১ গী মতেংনা ইংলেন্দগী টিম অদুবু ৱিকেট ৬ তা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইয়োন মোর্গাননা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখিবনি। মদুদা টিম অদুনা অপীবা ওভর ৫০ মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ৪৯ শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৮২ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন অদু ৩ শুবা বেটসমেন ওইখিবা জোনি বার্ষ্টোনা ওইখি। মহাক্না বোল ৬৫ দা ফোর ১০ য়ৈরগা পুন্না রন ৬৪ লৌখি। পনবা য়াবা অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মনুংদা ওপনর এলেক্স হেলস য়াওরি। হেলসনা মায়োক্নখিবা বোল ৫৩ দা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৫১ লৌরম্বনি। ১১ শুবা বেটসমেন দেবিদ ৱিলিনা আওট ওইদনা বোল ৩০ দা সিক্স অমসুং ফোর ২। ২ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌদুনা লৈখি।

মায় পাক্লবগী লৌগদবা রন ২৮৩ অদু তান্নরকপদা ইন্দিয়া (এ) গী বেটসমেনশিংনা ওভর ৪০ শুবগী ৪ শুবা বোলদা ৱিকেট ৪ তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়া (এ) না ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

ইন্দিয়া (এ) গী ওপনর অমসুং কেপ্টেনসু ওইরিবা অজিনক্য রহানে অমসুং সেলদোন জেক্সননা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক্তা রন ১১৯ লৌখি। জেক্সননা রন ৫৬ লৌরমখি। থংনবা বেটসমেন রিসপ পন্টসু রন ৫৯ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ফজহনখি। রহানেগী রন ৯১ অমসুং সুরেস রাইনাগী রন ৪৫ না ইন্নিংস অদুগী মখা তারকপদা ফজখিবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দবু ৱিকেট ৬ তা ইন্দিয়া (এ) না মায়থিবা পীখি।

# ফিফা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া ১২৯ দা লৈখ্রে

*জুরিক, জনুৱারী ১২ ঃ*
ফিফানা ঙসি খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী টিম হান্না লৈরম্বদগী পোজিসন ৬ হাইগৎলক্লবা ১২৯ দা লৈবা ঙমখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী ফিফাগী রেঙ্কিং অসি চহী ১০ মতুং দা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। অদুবু লৈবাক অসিনা ফিফাগী পুৱারীদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈখিবা পোজিসন অদু কুম্মজা ২০০৫ গী দিসেম্বর থাদা ১২৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবা অদুনি। টিম অসিনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা মখোয়গী থাক ৱাংখিবা প্যাটো রিকোবু মায়থিবা পীখিবনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*